**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা পাঙথোক্লি।

২) তমেংলোং জিলা অসি মণিপুরগী খোইহি খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা জিলা অমা ওইহন্নবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলে।

৩) ভিক্সিত ভারত এদ ২০৪৭ কী মতাংদা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম তমেংলোং জিলাদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৪) মণিপুরদা হন্দক্তা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি লেননা শোকহনখ্রবা ইমুংশিংদা ফংফম থোকপশিং নিতি নিয়ম চুমা ফংহনবীনবা মণিপুর ত্রাইবেল ইন্দিজিনস ফারমর্স কমিতিনা তকশিল্লক্লি।

অমসুং

৫) সরকারনা হায়রি- এল.পি.জি গ্যাস ব্লেক্তা য়োনবা থিংনবা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য সরকারশিংদা চে ইদুনা খঙহনখ্রে।

------

চৈরাউবা (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসি মনিপুরগী ৱাংমদা লৈবা মনিপুরিশিং তাবা মফমশিংদসু হরাউ তয়ামা পাঙথোকখি। কুম অমগী অনৌবা মনা মশিং অথেনপোৎ কাদুনা, মথেল লুকোই লাংদুনা চামিন-থকমীন্নবা অমসুং খুদোলপোৎ পীনবনা নুমিৎ অসিগী থোইদোকপা শক্তম ওইরি। নুংথিলদা মীয়ামনা চৈরাউ চীং য়াওনা মনাক নকপদা লৈবা চীংশিংদা কাবা অসিসু নুমিৎসিগী অখন্নবা শক্তম অমনি।

নুমিদাংগী মতমদা মফম কয়াদা নাৎকী চৎনবী ওইনা থাবল চোংবগী থৌরমশিং পাঙথোকরি।

শজিবু নোংম পানবা চৈরাউবা ইম্ফাল ৱেষ্ট লোংঙা কোইরেং অমসুং ইরেংবমদা অসাম রাইফলসকী কম্পনি ওপরেতিং বেজনা শিন্দুনা পাঙথোকখি। মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা চৎন লোনচৎ অমসুং কলচরেল হেরিতেজ ঙাক্তুনা থম বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খুদোলপোৎশিং পীখি।

কংলৈ ইনাৎ য়োকখৎপা লুপা নম্বোলনা শিন্দুনা খোরিফাবা লম্পাক নম্বোলদা ঙসি শজিবু নোংম পানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হান্নগী এম.এল.এ- নামৈরাকপম লোকেন শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা শগোল কাংজৈ শান্নবসু উৎখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈনৌদা লৈবা লাইনিংথৌ লম অহিংবদসু চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কংগ্রেস লুচিংবা কৈশাম মেঘচন্দ্র শরুক য়াখি।

কাংপোকপী জিলাদা লৈবা শিনাম কোম ভিলেজদসু কোম ফুরুপকী থিংপুই পরে ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কোম ফুরুপকী নাৎকী ওইবা জগোই, ঈশৈ কয়া উৎখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলা অসি মণিপুরগী খোইহি খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা জিলা অমা ওইহন্নবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি। জিলা অসি পি.এম. ধন ধনিয়া কৃষি য়োজনাগী মখাদা লৈবাক পুম্বগী ওইনা এস্পিরেসনেল এগ্রিকলচরেল দিষ্ট্রিক্ট ১০০ খনগৎপগী মনুংদা য়াওরকপনি। জিলা অসিনা হৌজিক বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা খোই য়োকপা অমসুং মচা পুথোক্তুনা খোইহি

মরাং কায়না পুথোকবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংনা মহারাষ্ট্রদা লৈবা হস্বল বি প্রাইভেট লিমিতেদ অমসুং তমেংলোং হিল বি কিপ্পরস এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা খনগৎলবা লৌমী ১০০ দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা খোই য়োকপগী মতাংদা ত্রেনিং পীখি। খনগৎলবা লৌমী ১০০ দা অহানবগী ওইনা খোই য়োক বগী মচাক মথুমশিং পীগনি।

থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র ইদুকেসনগী জোইন্ট সেক্রেতরি আমষ্ট্রোং পামৈনা মফম কয়া চত্তুনা য়েংশিনখি।

অমরোমদা, হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসন তমেংলোংনা হস্বল বি প্রাইভেট লিমিতেদকা খুৎশমদ্না তমেংলোংগী গদাইলোং হোর্তিকলচর ফার্মদা পি.এম.দি.দি.কে.ৱাইকী মখাদা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা খোই য়োকপা অমদি মচা লৌবগী মতাংদা ত্রেনিং পাঙথোকখি।

আউটরিটচ(এল)ঃ ভিক্সিত ভারত এদ ২০৪৭ কী মতাংদা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরসকী প্রেতি লেম্ব ইন্সটিট্যুটতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন ফিল্ড ওফিস তমেংলোং অমসুং সি.বি.সি রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা মফমদুগী এন.জি.ওশিং, স্কুল অমসুং সি.এম.ও তমেংলোংগা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা ভারত সরকারনা মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিং অমদি নুপী অমসুং অঙাং নুপীমচাশিংগী য়াইফ থৌরাং, হ্যুমেন পেপিলোমা ভাইরসকীদমক তিকা থাদোকপগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম ফোংদোকখি।

আউটরিটচ প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা সংস্কৃতিগী থৌরমশিং অমদি ক্বিজ কম্পিতিসনসু পাঙথোকখি। তুংদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ আই.ই.সি. প্রোগ্রাম ফোর ভিক্সিত ভারত-গেরেন্টি ফোর রোজগার এন্দ আজিবিকা মীসন (গ্রামিন) দা যুম্ফম ওইবা নোংমগী ওইবা জন্ন সম্বাদ (পাব্লিক আউটরিটচ) কী মতাংদা মেদিয়া দাইলোগ অমা হয়েং ইম্ফালগী অৱাং এ.ও.সিদা লৈবা ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরম অসিগী পান্দমদি, ভি.বি-জি-রাম-জিগী মতাংদা মেদিয়াগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নদুনা ভাব তামীন্নবা হেনগৎহনবা অমসুং মীয়ামদা হেন্না মপুং ফানা খঙহন্নবা হোৎনগনি।

রাজ্যগী কম্মিস্নার (রুরেল দিবলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়েটি রাজ) শ্রী সুমন্ত সিংহনা কি-নোট এড্রেস পীগনি।

চান্দেল (এল)ঃ মণিপুর ট্রাইবেল ইন্দিজিনস ফারমর্স কমিতিনা হন্দক্তা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি লেননা শোকহনখ্রবশিংগী ফংফম থোকপশিং নিতি নিয়ম চুমা ফংহনবীনবা তকশিল্লক্লি।

তেংনৌপল জিলাগী তুইসমিদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কমিতিগী প্রসিদেন্ট এস. দাংসানা হায়- লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা তেংনৌপল জিলাগী মনুং হুঞ্জিনবা ম্যান্মারগা তাইনবা মফমশিংদা খুন্দারিবা খুলশিং য়াওনা খুল ১৭ লোমদা চাউনা অমাং অতা থোকহনখি। মহাক া হায়- সরকারগী মাইকৈদগী খুল খরদা যুম কুপবা জিঙ্খ পীরক্লবসু ক্বালিতি লৈতবনা লেন অমুক তারকপদা অমাং অতা থোক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোল্লি। মরী লৈনবশিংনা জিঙ্খ পীরকপা মতমদা ক্বালিতি লৈবা পোৎ ওইনা পীবীনবা আপীল তৌররি। শ্রী দাংসানা হায়- থা অসিগী ১৫ দা লেন য়াওনা শিৎখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা যুম কয়ামরুম হুমদোক্তুনা তেংনৌপল জিলাদা চাউনা অমাং অতা থোকখি। জিলা অসিগী ওইনা যুম ১২৫ হেন্না অমাং অতা থোকখি।

ককচিং (এল)ঃ নুপী অইবীশিংগী লুপ অমা ওইরিবা মচা চনু ককচিং লিংখৎখিবা ২৪ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাই লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লমদম অসিগী শকাইরবা পুংগী ওজা ককচিং মখা লৈকাই রাজধানি পরেংদগী ক্ষেত্রিময়ুম গোদাধোরদা শেলগী মনা অমসুং শকখঙচে পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অইবা-অইবী কয়ামরুমনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

স্কুল (এল)ঃ লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল লিংখৎখিবগী ৭১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী হান্নগী মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াখি। মদুদা লৈখিদ্রবা ফাউন্দর মেম্বরশিং, স্কুল মেনেজমেন্ট কমিতি মেম্বরশিং, ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

জেলিয়াংরোং (এল)ঃ ওল জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ২০২৬-২০২৯ গী ওইনা থৌ পুগদবশিংগী মীখল মথং থাগী ১৪ দা নমদুলোং কম্ম্যুনিতি হোল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। মীখল অয়ুক পুং ১১ দা পাঙথোক্কনি হায়না ওল জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ)গী ইলেক্সন কম্মিসন ওফিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

এলপিজি ঃ সরকারনা হায়রি- লৈবাক শিনবা থুংবদা ত্রান্সপোর্তেসনগীদমক্তা শিজিন্নগদবা দোমেষ্টিক পি.এন.জি অমসুং সি.এন.জি চাদা চামা সপ্লাই তৌনবা হোৎনরি।

নোংচুপ থংবা এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা ঙসি ইন্তর মিনিষ্ট্রিয়েলগী পাউগী মীফম অমদা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাসকী জোইন্ট সেক্রেতরি সুজাতা শর্ম্মনা হায়- হৌখিবা চয়োল অনি অসিদা দোমেষ্টিক অমসুং কম্মর্সিয়েল কন্নেক্সন লাখ ১ লিশিং ২৫ হেন্না পীখ্রে। মহাকা হায়- হৌখিবা নুমিৎ হুমি অসিদা কঞ্জুমর লিশিং ৫,৬০০ হেন্না পি.এন.জিদা ওন্থোকখ্রে।

কম্মর্সিয়েল এল.পি.জিগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা মহাকা হায়- রাজ্য ১৭ কী সরকারশিংনা এলোকেসন ওর্দরশিং থোকখ্রে অমসুং রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা কম্মর্সিয়েল এল.পি.জি পীথরি। শ্রীমতি সুজাতা শর্ম্মনা হায়- পি.এন.জি নেটৱার্ক পাকথোক চাউথোকবা কেন্দ্রনা রাজ্য সরকারদা পাউতাক পীখ্রে। এল.পি.জি গ্যাস ব্লেক্তা য়োনবগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা জোইন্ট সেক্রেতরিনা হায়- মসি থিংনবা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য সরকারশিংদা চে ইদুনা খঙহনবগা লোয়ননা অসিগুম্বা আইন্না য়াদবা থবক থৌরমশিং তৌহন্দনবা পাউতাক পীখ্রে। হৌজিকমক্কী ওইনা এল.পি.জি গ্যাসকী ওইনা নুংনাংনিঙাই খরা লৈরবসু গ্যাস অসি শুকলৈ লৈতবদি নত্তে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেতরি (গল্ফ) অশিম মহাজন্না হায়- ফেব্রুৱারি ২৮ দগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা নাগরিক লাখ ২ লিশিং ৮০ হেন্না পুরকখ্রে। মহাকা হায়- এয়ারলাইন্সশিংনা সেদ্যুল লৈতবা ফ্লাইটশিং য়ুনাইতেদ আরব ইম্মিরেটস অমসুং ভারতকী মরক্তা পাইদুনা পেসেঞ্জরশিং পুথোরকপা লেপত্রি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- ভারতনা মিসন মোদতা থবক তৌদুনা লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা দ্রোন পুথোকপা ঙম্বা মালেমগী হব অমা লাক্লিবা চহি খরা অসিদা ওইবা ঙমবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

নিউ দিল্লিদা ঙসি নেসনেল দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিজ কনক্লেভতা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথ সিংহনা হায়- লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী পোত্থোক পুথোকপদা এম.এস.এম.ইশিং অসি মরুওইবা য়ুম্বী অমা ওইরক্লি। ভারতকী টেকোলোজিগী তৌবা ঙম্বা শক্তি হেনগৎহনবদা লৈবাক অসিগী ওন্তরপ্রেন্যুরশিং, ষ্টার্টঅপশিং অমসুং ইনোভেটরশিংনা মরুওইবা থৌদাং য়ারি অমদি লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোনদা শিংথানিঙাই ওইনা মতেং পাংলি। মন্ত্রিনা হায়- এম.এস.এম.ই কয়াগী আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, ওতোমেসন, রোবোটিক্স অমসুং অতৈ এদভান্স টেকোলোজিনচিংবা অনৌবা লমশিংদা কন্না থবক তৌরি।

মীফম হৌদোকপগী শরুক অমা ওইনা শ্রী রাজনাথনা দিফেন্স ইন্দিয়া ষ্টার্টঅপ চেলেঞ্জগী ১৪ শুবা ইদিসন অমসুং অদিতি চেলেঞ্জগী মরিসুবা ইদিসনসু হৌদোকখি।

অসাম ঃ বি.জে.পিনা অসাম বিধান সভা মীখলগীদমক মীরেপ ৮৮ গী অহানবা লিষ্ট লাউথোকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা জালুকবারি বিধান সভা কেন্দ্রদগী মীখল থেংনরগনি। হান্নগী লোক সভা এম.পি. ডাঃ রাজদিপ রোইনা সিলচরদগী অমসুং হৌজিক রাজ্য সভাগী এম.পি. ওইরিবা রামেশ্বর তেল্লিনা দুলিয়াজানদগী বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরগনি। অসামগী বি.জে.পিগী হান্নগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট রঞ্জিৎকুমার দাসনা ভৱানিপুর-সোভোক সিটতগী মীরেপ ওইরগনি। রাজ্য অসিগী মীখল মথং থাগী ৯ দা তাঙ্কক অমখক্তদা পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, বি.জে.পিনা কেরলা বিধান সভা মীখলগীসু মীরেপ ৩৯ গী মীং য়াওবা অনিসুবা লিষ্ট ফোংখ্রে। হান্না বি.জে.পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরম্বা কে. রাজসেখরননা অরনমুলা সিটতগী মীখল থেংনরগনি। দল অসিনা মীখল অসিগীদমক অহানবা লিষ্ট ওইনা মীরেপ ৪৭ কী মীং লাউথোকখ্রবনি। কেরলা বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অমখক্তদা মথং থাগী ৯ দা ভোৎ থাদনগনি।

মরক অসিদা নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিনা অনিসুবা লিষ্ট ওইনা মীরেপ ১১১ গী মীং ঙসি লাউথোকখ্রে। সিট ২৯৪ লৈবা নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অনি থোকা মথং থাগী ২৩ অমসুং ২৯ দা পাঙথোক্কনি।

বিজেপি ঃ বি.জে.পিনা রাজ্য খরদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভাগী মরক্কী মীখলগী মীরেপশিংগী মীং লাউথোকখ্রে। নাগালেন্দদা দি.আই. ইমচেন্না কোরিদাম বিধান সভা সিত্তা বি.জে.পিগী মীরেপ ওইরগনি। ত্রিপুরাগী ধর্ম্মনগর বিধান সভা সিত্তা জহর চক্রবর্তিনা দলগী মীরেপ ওইরগনি।

গোৱাগী পোন্দা বিধান সভা কেন্দ্রদা রিতেশ রবি নায়ক, করনাটক্কী বগলকোট সিটতা ভি. চরনতিমথ অমসুং দবনা গেরে সাউথ বিধান সভা কেন্দ্রদা

শ্রীনিভাস টি. দসাকরিয়াপানা দল অসিগী মীরেপ ওইরগনি। ঙরাং বি.জে.পি প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন্না সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা দলগী সেন্ত্রেল ইলেক্সন কমিতিগী মীফমনা ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

মনোহর ঃ কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রি মনোহরলালনা হায়রি- ইলেক্ত্রিসিতি অসি ইচম চমা পৱার খক্তা নত্তে, মসি তুংগী রোড মেপ অমনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ভারত ইলেক্ত্রিসিতি সম্মিৎ ২০২৬ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- ভারত্তা ফংলিবা পৱার অসি অতৈ লৈবাক কয়াদগীদি হেন্না মমল চংদে। মহাকা হায়- ৱান সন, ৱান ৱার্ল্ড, ৱান গ্রিদ নেটৱার্ককী শরুক অমা ওইনা য়ুনাইতেদ আরব ইম্মিরেটসকা সমুদ্র ইরোলনুংদা পৱার ত্রান্সমিসন কেবল নেটৱার্ক শেমগৎনবা সরকারনা থৌরাং তৌরি।

ত্রেদ ঃ হিমাচল প্রদেশকী সিপকি লা পাস ফাওদুনা ভারতকা চাইনাগা জন্ অমদগী লল্লোন ঈতিক তৌনবা হৌরগনি। থৌরাং অসি মায় পাকবা শেম শাবগী থবক কন্না চত্থরি। ভারত-চাইনা সিপকি লা ত্রেদ এগ্রিমেন্ট মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকবা মীফম অমা কিনোর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। মহাকা হায়- লল্লোন ঈতিক তৌনবসি খুদোংচাহন্নবা পুহ সবদিভিজনগী নমগিয়া গ্রাম পঞ্চায়টতা ৱায়ার হাউসশিং অমসুং দুকানশিং শারগনি। মসিগী মথক্তা ভারত লান্মী, আই.টি.বি.পি অমসুং কষ্টমস দিপার্টমেন্টকী মরক্তা হেন্না নিংথিনা থবক পায়খৎমিন্ননবা হোৎনরি।

দিপ্লোমেট ঃ সেনিয়র দিপ্লোমেট বিক্রম দোরাই স্বামিবু চাইনাদা লৈগদবা ভারতকী অনৌবা এম্সেদর হাপখ্রে। ১৯৯২ বেটচকী ইন্দিয়ান ফোরেন সার্ভিস ওফিসার অসি হৌজিক হৌজিক য়ুনাইতেদ কিংদমদা ভারতকী হাই কম্মিসনার ওইরি। মহাকা প্রদিপ কুমার রাৱটকী মহুৎ শিল্লগনি। মপান থৌরম মন্ত্রালয়না ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা হায়- শ্রী দোরাই স্বামি অথুবা মতমদা অনৌবা ফম অসি পায়রগনি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং ঃ মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহূমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারো অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ হয়েংদগী শ্রীশ্রী গোপালদেব মন্দব য়াইস্কুল কাংশঙদা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি ককচিংতাবম অজিৎ কুমার শর্ম্মা অমসুং ইমুং মনুংনা কৎপনি। হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর সরকারগী টেক্সসনগী জোইন্ট কম্মিসনার য়ুমাম ইন্দ্রকুমার সিংহনা অথোইবা মীথুং, অকাশবানি ইম্ফাল এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (নিউজ) থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎনা অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং য়াইস্কুল কাংকুৎকী প্রসিদেন্ট লাইময়ুম ব্রজমনি শর্ম্মানা মীফম মপু ওইগনি।

হয়েং হৌদোকপা নুমিৎতা গোপালদেব কাংখুৎকা য়াইস্কুল কাংখুৎকা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নগনি। থাংজ নুমিৎতা থাংমৈবন্দ কাংখুৎকা সি.ৱাই.এল.সি শিংজমৈগা শান্নগনি। তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৮ না শরুক য়াগনি। ফাইনেল মথং থাগী ১২ শান্নগনি।

নোনে ঃ নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোস অৱাসিয়া বিদ্যালায়া রেংপাং নোনে জিলাগী ১৬ শুবা এন্যুএল স্পোর্টস মিট ঙসি লোইশিনখ্রে। নুমিৎ মরিনি চুপা চত্থরকপা থৌরম অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোইশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ২০২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱিমেন্স ফুটবোল ৱার্ল্ড কপতা ফিল্লিপিন্সকী নুপী ফুটবোল টিম ক্বালিফাইদ ওইরে। ঙসি গোল্ড কোষ্টতা শান্নখিবা ৱিমেন্স এসিয়া কপ প্লে ইন মেটচতা ফিল্লিপিন্সনা উজবেকিস্তানবু

পাঞ্জল ২-০ দা থোইখিবনি। তুরনামেন্ট অসি ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবনি।

বেদমিন্টন ঃ  ওরলিন্স মাষ্টরস বেদমিন্টনদা ভারতকী আয়ুস সেথিনা জপানগী য়ুদাই ওকিমোতোগা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ঙসি থেংনরগনি। ফ্রান্সতা চত্থরিবা তুরনামেন্ট অসিদা আয়ুস সেথিনা কিরন জোর্জবু মায়থিবা পীদুনা ক্বাতর ফাইনেল চংলকখিবনি। নুপীগী সিঙ্গলসতা অনমোল খরবনা তনভি শর্ম্মগা থেংনরগনি। মালভিকা বনসোটনা মালেসিয়াগী ব্রোং লিং চিংগা ঙসি ক্বাটর ফাইনেলদা থেংনগনি।

------